লিবর্টি ঠিএটর ককচিংগী ফাউন্দেসন দেগা মরী লৈননা লিবর্টি ঠিএটর ককচিংনা শীন্দুনা থা অসিগী ৫দগী হৌনা চথরকখিবা ফেষ্টিভেল ওফ প্লেস ওফ ক্ষেত্রি সনাজাওবা লোইশিনবগী থৌরম

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা দিৱালি অমদি নিঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈ মতমদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ফাগৎলকপা লগাও মরুশিং মৈ থাদুনা মাঙহন্দ্রিঙৈগী মাঙওইননা এস পি বিষ্ণুপুরগী ওফিসতা পুথোক্তুনা উৎখিবা

লোক জনশক্তি পার্টি (এল জে পি) মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বা হিয়াংলম এ সীদা মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা নোংমাইথেম সঞ্জয়না পাউগী মীফম অমদা মহাক এল জে পিদগী তোক্লে হায়না লাউথোকখিবা

NATIONAL PEOPLE'S PARTY
NATIONAL PEOPLE'S YOUTH FRONT
ACCEPTANCE CEREMONY

মোইরাং ফিলেম লৈকায়দা লৈবা এন পি পি মোইরাং ব্লোককী ওফিসতা পাঙথোকখিবা এন পি পি মোইরাং ব্লোক কম্মিটি অমদি মোইরাং য়ুথ ব্লোক লেভেল কম্মিটিগী নৌনা খল্লবা থৌ পুবশিং ৱাশক লৌবগা লোয়ননা শক্তাকপগী থৌরম

নিংথম মরু মরাংশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): কুম্বী এ সীগী মীয়াম্বু শেন্থোক লন্বী হেন্না লৈহন্নবগী মীৎয়েংদা এ সী অসিদা বি জে পিগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা কে ঐচ নবকুমারনা হৱাইথরাক, মঙ্গল, তিলহৌ, চনম, খামেন অশিনবা, কোবী অমদি হঙ্গাম মরুনচিংবা নিংথম লৌরোক্কী মরু মরাংশিং তোর্বুংদা লৈবা মীয়ামদা য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

স্বিমিং পুল নৌনা অমুক হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): পুন্না হিংমিন্নবা খুন্নাই, উরিপোক তখেল্লম্বম লৈকায়না চলাইগদবা এন জি কোলেজ স্বিমিং পুল হৌনবী মতুংইন্না নৌনা অমুক হাংদোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমার, এন জি কোলেজগী প্রিন্সিপাল এল মংলেম্বা, ভাইস প্রিন্সিপাল অশোক রোয় অমদি মণিপুর স্বিমিং এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট টি থৌবনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা রিবন কক্তুনা স্বিমিং পুল অদু নৌনা অমুক হাংদোকখিবনি।

কবুই য়ুনিয়ননা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): য়েলহৌমী য়েক-সলাইগীদমক থৱায় য়াওনা থবক থৌরম কয়া চেনমিন্নরম্বা ফেদরেসন ওফ হাওমিগী জোইন্ট সেক্রেটরিগী থৌ পুরম্বা হুইরেম মুকুন্দো মৈতৈনা লৈখিদবদা ঙসি নুংথিল মহাবলি কবুই খুলদা লৈবা কবুই য়ুনিয়নগী ওফিসতা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা কবুই য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট ডা. কে হিরা কবুই অমদি সেক্রেটরি জেনরেল লানবোন কবুইনা হুইরেম মুকুন্দোবু নীংশিংবা ওইনা মহাক্কী মরমদা ৱাফম কয়া থমখি। লোয়ননা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী মফমদা ঈংনা চিক্লা লৈখিনবা থৌনিখি হায়না কবুই য়ুনিয়ন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ডা. কে হিরা কবুইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): লৈখিদ্রবী টি ঐচ মালেমঙানবীবু নীংশিংবা ওইনা ষ্টার ভলন্টিয়র কোপস হৈরাঙ্গৈইথোং অৱাং মাইবম লৈকায়না রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রান্সফ্যুজন মেদিসিনগা খুৎশম্ন দুনা শীল্লগা হৈরাঙ্গৈইথোং অৱাং মাইবম লৈকায় কম্ম্যুনিটি হোলদা তরেৎশুবা এব্র্যেনেস কম ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অদুগা মরী লৈননা ষ্টার ভলন্টিয়র কোপসকী প্রসিদেন্ট থোকচোম কিরনকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি পাঙথোক্লিবা ব্লদ দোনেসন কেম্প অসি লৈত-লায়রশিংদা অমদি ঈগী মথৌ তারকপা মতমদা খরদং ওইরবসু মতেং ওইননবা পাঙথোকপনি। মসিগুম্বা কেম্প অসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু পাঙথোক্তুনা মীয়াম্না ঈগী মথৌ তাবা অনাবা য়াওরকপা মতমদা মতেং পাংবীননবা আপীলসু তৌজরি।

মোক এক্সর্সাইজ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): নেসনল দিজাষ্টর রেস্ক্যু ফোর্স (এন দি আর এফ)না শীল্লগা আর্থক্বেট থোক্লকপা মতমদা মতৌ করম্না থেংনগদগে অমদি অশোক-অপন য়াওরকপশিংবু করম্না রেস্ক্যু তৌগদগে হায়বনচিংবগী মতাংদা ঙসি সেনাপতিগী মিনি সেক্রেটরিয়েটতা মোক এক্সর্সাইজ পাঙথোকখ্রে। মোক এক্সর্সাইজ অদুদা ১২ এন দি আর এফ, ইটানগর, অরুনাচল প্রদেশকী টিমসু শরুক য়াখি। লোয়ননা সেনাপতিগী দি সী, এদিসনল এস পি, দি এল ওশিং, পুলিস অমদি সী আর পি এফকী পর্সনেল কয়াসু শরুক য়াখি।

মীওইবা ওইনা পোল্লবা ঐখোয় খূদিংমক মান্নবা মীৎয়েং য়েংগদবনি : রামেশ্বর

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): মীওইবা অমা ওইনা পোল্লবা ঐখোয় খূদিংমক মান্নবা মীৎয়েং য়েংগদবনি, মহাক্না নুপীনি, মহাক্না নুপানি, মহাক্না ট্রান্স জেন্দরনি হায়দুনা খায়দোক্নরোইদবনি হায়না ককচিং এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি ককচিং মখা লৌ, ইরুম নিংথৌ পরেংদা লৈবা এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরগী য়ুমদা পাঙথোকপা ককচিংগী তোঙান তোঙানবা লৈকায়শিংদা লৈরিবা ট্রান্স জেন্দর কম্ম্যুনিটিশিংবু চাক্কৌবগী থৌরমদা মথক্কী ৱাফম অসি এম এল এ রামেশ্বরনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মীওইবা ঐখোয় অসি করম্বা কাঙলুপতা, করম্বা মফমদা পোক্কদবনো অমসুং করি ওইনা পোক্কদবনো হায়বা অসি তাইবং মপুনা শীনবা ঙাক্তনি। অদুবু তাইবং মপুনা মীওইবা হায়বা কাঙলুপতা পোকপীরবা ঐখোয় খূদিংমক অসি চপ মান্ননা ঈকায়খুম্ন গদবনি অমসুং হিংবদা নুংশিননা হিংমিন্নবা হায়বা ৱাখল্লোন অসিদা পুন্না চৎমিন্নগদবনি।

ট্রান্স জেন্দর কম্ম্যুনিটিশিংগীদমক য়াইফননবা গুজরাট ষ্টেটতদি ষ্টেট অদুগী লৈঙাক্না থবক থৌশিল কয়া লৌখৎপা হৌখ্রে। মণিপুরগী ওইনসু মহাক মশা অমদি এম এল এ খরনা ষ্টেট অসিগীসু ট্রান্স জেন্দর কম্ম্যুনিটিশিংগী য়াইফননবা পোলিসী প্রোগ্রাম পায়খৎপা মথৌ তারে হায়বগী ৱাফম হৌদোক্লবা লৈরে। মহাকপু মীয়াম্না নুংশিবীদুনা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লী ইলেক্সন অসিদা ককচিং এ সীগী এম এল এ অমা ওইনা থাগৎপীরক্লবদি শোয়দনমক মণিপুরগী ওইনসু ট্রান্স জেন্দর কম্ম্যুনিটিশিংগী য়াইফ-থৌরাংগী পোলিসী প্রোগ্রাম শোয়দনা পায়খৎনবা হোৎনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা নিঙোল চাক্কৌবা থৌরমগা মরী লৈননা পাঙথোকপা ট্রান্স জেন্দর কম্ম্যুনিটিশিংগী চাক্কৌবা থৌরম অদুদা মণিপুরগী শক্লাইরবী/শক্লাইরবা ট্রান্স জেন্দরশিংসু শরুক য়াখিবগা লোয়ননা এম এল এগী মায়কৈদগী চাক্কৌবগী খুদোলপোৎসু পীখি।

মহৈশঙশিং কোয়না চৎতুনা য়েংশিনগনি : এমসু

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): মহৈশঙশিং নৌনা হাংগদৌরিবা অসিদা স্কুল, কোলেজ, ইন্সটিট্যুটশিংনা লৈঙাক্না পীবা এস ও পি ঙাক্না মহৈরোয়শিংদা অৱাবা পীরোইদবা মওংদা হাংবীয়ু। ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)না মহৈশঙশিংদা কোয়না চৎতুনা মহৈরোয়শিংনা থেংনরক্কদবা খুদোংচাদবা অমদি কোভিদতগী ঙাকথোকচবা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিং মপুং ফানা মহৈশঙশিংনা লৌখৎলিব্রা হায়বদু য়েংশিনগনি হায়না এমসুগী সেক্রেটরি জেনরেল বিক্রমজিৎ থোঙামনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মালেম পুম্বনা মীপায়নরিবা তমথিরবা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মতম শাংনা মহৈশঙশিং থোঙ লোন্দুনা লাক্লবা মতুং হৌখিবা নুমীৎ খরনিগী মমাঙদগী লাইচৎ অসিগী ফীভম খরা শাফরকপদগী লৈঙাক্না মহৈশঙ হাংদোক্লবা থবক লৌখৎলকপগী শরুক অমা ওইনা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংগা মহৈরোয় লূপশিংগী লুচিংবশিংগা হীরম অসিগী মতাংদা হৌখিবা নুমীৎ খরনিগী মমাঙদা খন্নখিবা লৈখ্রে। লৈঙাক্না মহৈশঙ নৌনা হাংদোক্লবগী ফিরেপ হৌখিবা নবেম্বর ১০দা লৌরকখিবা অসি মহৈরোয় লূপ অসিনা তরাম্না ওকই। মহৈশঙশিং নৌনা হাংদোক্লবা লৌরক্লিবা খোঙথাং অসিনা মহৈরোয়শিং অমদি মমা-মপা ওইবশিংনা পূক্নিংদা হরাওবা অমদি শোয়দনা ফাওরমগনি হায়না মহৈরোয় লূপ অসিনা লৌই। অদুবু মীয়াম্না হংনরক্লিবা ৱাহংদি হৌজিক হৌজিক কোভিদ মপুং ফানা লাকশিনবা ঙমদ্রিবনিনা মহৈশঙশিং হাংদোক্তুনা মহৈ তম্ননবা থোক্লিবা ওর্দর অসিদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কদায় ফাওবা লায়না অসিদগী ঙাকথোকপা ঙম্ননবা প্রিভেন্টিভ মেজর লৌখৎলবগে অমদি লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাং অসিনা মমা-মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু মহৈশঙদা থারকপগী অকিবা অদু কোকহনবা ঙম্নবা থবক লৌখৎলব্রা হায়বসিনি। নৌনা হাংগদৌরিবা মহৈশঙশিংনসু মহৈরোয়শিংগী য়াইফন্নবা লৌখৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং মপুং ফানা লৌখৎলব্রা অমদি লৌখৎকদৌরিবা থবক থৌরমশিংদুদা চঙবা মচাকশিং নীংথিনা শেম-শারব্রা হায়বসিসু মীয়াম্না খঙনিংবা পোক্লি।

নাকল অমরোমদা, হৌজিক পেসেঞ্জর ট্রান্সপোর্ট্রেসন নীংথিনা লৈত্রি। পেসেঞ্জর সর্ভিস তৌরিবা ভেহিকলশিংনা কোভিদ পেন্দমিক মমাঙদা মহৈরোয়শিংগী গাড়ী অতোংমল পেসেঞ্জরশিংগী খরা হন্থনা লৌরম্বা অদু হৌজিক পেট্রোল অমদি দিজলগী লৈরিবা মমল অসিনা গাড়ী অতোংমল হেনগৎনা লৌরিবা অসিদগী মহৈরোয়শিংগী গাড়ী অতোংমল হন্থনা লৌরগা মহৈরোয়শিংবু গাড়ীদা তোংহন্নিংগদ্রা হায়বসিনি। স্কুল ভেন সর্ভিস তৌরিবা ইচিল-ইনাওশিংনসু কা হেন্না গাড়ী অতোংমল লৌবীদনবা মহৈরোয় লূপ অসিনা আপীল তৌজরি। পেসেঞ্জর সর্ভিস তৌরিবা পুকচেল চাউরবা ইচিল-ইনাওশিংনসু মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবা খুদোংচাদবা অসি খঙবীদুনা গাড়ী অতোংমল কা হেন্না ৱাংন লৌবীদনবা অমদি মহৈরোয়শিংগী গাড়ী অতোংমল পেসেঞ্জর অতৈদগী হন্থনা লৌবীয়ু হায়নসু এমসুনা আপীল তৌজরি।

ফেষ্টিভেল লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): লিবর্টি ঠিএটর ককচিংনা শীন্দুনা লিবর্টি ঠিএটর ককচিংগী ফাউন্দেসন দেগা মরী লৈননা থা অসিগী ৫তগী হৌনা চথরকখিবা ফেষ্টিভেল ওফ প্লেস ওফ ক্ষেত্রি সনাজাওবগী ঙসি লোইশিনখ্রে।

ফেষ্টিভেল লোইশিনবগী থৌরম অদুদা এল বিরেন্দ্র কুমার, প্রসিদেন্ট ককচিং দ্রামাটিক য়ুনিয়ন অমদি ক্ষেত্রি সনাজাওবা, প্লেরাইটনা থৌরম মপুশিং ওইনা শরুক য়াখি। ফেষ্টিভেল অসিগী ঙসি অরোইবা নুমীৎতা সঙ্গীত সঙ্গম একাদেমী, সলুংফমগী লীলা *নোংশিংদা ঙানখিসনু* উৎখি।

এল জে পি মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্ট নোংমাইথেম সঞ্জয় পার্টি অসিদগী তোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): লোক জনশক্তি পার্টি (এল জে পি)গী এম এল এ করাম শ্যামনা ঙসি পার্টি অসিবু থাদোক্তুনা বি জে পিদা য়াওখ্রবা মতুং এল জে পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা অদুগা ৩৮-হিয়াংলম এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট নোংমাইথেম সঞ্জয়সু ঙসি পার্টি অসিদগী তোক্লে হায়না লাউথোকখ্রে।

ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা সেকমাইজিন খুনৌদা লৈবা সঞ্জয়গী য়ুমদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবা অমদা সঞ্জয়না ফোঙদোরকপদা, এল জে পি লিংখৎলম্বা রাম বিলাস পসৱাননা কুমজা ২০২০গী ওক্টোবর থাদা লৈখিদ্রবা মতুংদা পার্টি মনুংদা মুক্নবনা মরম ওইদুনা পার্টিগী সিম্বোল ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা ফ্রীজ তৌখিবগা লোয়ননা হৌজিক লোক জনশক্তি পার্টি হায়বা পেরেন্ট পার্টি অসি লৈত্রে।

মুক্নরিবা নাকল অনীগী তোঙান তোঙানবা পার্টি শেম্নদুনা মমিং অমসুং সিম্বোল ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা পীখ্রে। মসিগী মথক্তা ষ্টেট অসিগী ওইনসু হৌজিক লৈরিবা এল জে পি অসি কায়থরক্তুনা লৈরম্বা এম এল এ ফাওবা পার্টি থাদোরকপা অসিদগী মহাকসু ঙসিদগী পার্টি অসিদগী পোত্থানবা ফিরেপ লৌবনি। লোয়ননা মহাক লাক্কদবা ইলেক্সন অসিদা হিয়াংলম এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা শোয়দনা মায় পাকপা ঙম্নবা অথুবা মতমদা কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী মীয়াম অমদি মহাক্কী লৈরিবা তোঙান তোঙানবা কম্মিটিশিং অসিগা তান্নদুনা অচৌবা নেসনল পার্টি অমদা শোয়দনা য়াওরগনি হায়খি।

লগাও মরুশিং মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা হন্দক হৌখিবা দিৱালি অমদি নিঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈ মতমদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী ফাগৎলকপা লগাও মরুশিং ঙসি এস পি বিষ্ণুপুরগী ওফিসতা মীদিয়াগী মমাঙদা পুথোক্লবা মতুংদা মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনখ্রে।

নম্বোল পুলিসনা মরু ১৮, বিষ্ণুপুর পুলিসনা মরু ১৪২, মোইরাং পুলিসনা মরু ৬০, কৈবুল লমজাও পুলিসনা মরু ১৫, কুম্বী পুলিসনা মরু ২৭ অমদি সী দি ও য়ুনিট বিষ্ণুপুরনা মরু ১৮ পুন্না মরু ৪৪৮ ফাগৎপা ঙমখি। হায়রিবা মরুশিং খ্বাইদগী য়াম্না ফাগৎপা ঙমখিবা নম্বোল পুলিস ষ্টেসন, বিষ্ণুপুর পুলিস ষ্টেসন, মোইরাং পুলিস ষ্টেসনদা এস পি বিষ্ণুপুর হোপসন সাপমনা মহাক্কী লন্নাই শেনফমদগী মথংশিংনা লুপা লিশিং ৫, লুপা লিশিং ৩ অমদি লুপা লিশিং ২ পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

লগাও মরু মৈ থাখিবা অদুগা মরী লৈননা এস পি বিষ্ণুপুর হোপসন সাপমনা ফোঙদোকখিবদা, পুলিসনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা অসিগুম্বা লগাও খাওবনচিংবা ফাগৎতুনা হোৎনরিবা মরক অসিদা সোসল মীদিয়াদা পুলিসকী মিংচৎ থিংনবা ফত্তবা থবক অসিদা শৌগৎপা লৈজদে। অসিগুম্বা লগাও খাওফমদা, জ্বার শান্নফমদা পুলিসনা ঙাক শেন্দুনা অমদি শেল খায়দুনা শান্নহনখিবা তৌজখিদে হায়খিবগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদসু দিষ্ট্রিক্ট অসিগী লৈবীরিবা মীয়াম খূদিংমক্না কাঙলুপ মশেল খৎনবা য়াবা, অমগা অমগা নুংশিনদনবা ৱা হায়জিনবা কয়া তৌবীগনু। দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ঈং-তপ্না লৈনবা হোৎনজরিবা অসিদা মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু হায়না এস পিনা মখা তাখি।

‘ওরিজিনেল পার্টি থাদোক্লগা অতোপ্পা পার্টিদা য়াওরবদি দিসক্কালিফাই তৌফম থোকই’

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): কনাগুম্বা এম এল এ নৎত্রগা এম পি অমনা মশাগী ওরিজিনেল পার্টি থাদোক্তুনা অতোপ্পা পার্টি অমদা য়াওরবদি এম এল এ নৎত্রগা এম পি অদু কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী টেন্থ সেদ্যুলগী মখাদা দিসক্কালিফাই তৌফম থোকই হায়না মণিপুর পিপলস দেম্মোক্রেটিক ফ্রন্ট (এম পি দি এফ)কী সেক্রেটরি সাপম শামুঙৌনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ৱাফম অসি পার্টি অমগী এম এল এনা অতোপ্পা পার্টি অমদা য়াওবদা এম পি দি এফনা কল্লক্তুনা নৎত্রগা দিসক্কালিফাই তৌহন্নিংবগী হায়বা নত্তে। কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী টেন্থ সেদ্যুলগী মখাদা হাউসকী প্রিসাইদিং ওফিসর ওইরিবা স্পিকরনা তৌফম থোকপা মথৌ পাঙথোকফম থোকই। কনাগুম্বা এম এল এ নৎত্রগা এম পি অমনা কন্সটিট্যুসনবু ঙাক্না চৎকনি হায়না ৱাশকখ্রবনিনা টেন্থ সেদ্যুল থুগায়রক্লবা এম পি নৎত্রগা এম এল এ অদু স্পিকরনা দিসক্কালিফাই তৌফম থোকই। মসিদা স্পিকরদা কমপ্লেন্ট তৌদ্রবদি দিসক্কালিফাই তৌবা য়াদে হায়বা ৱাফম টেন্থ সেদ্যুলদা য়াওদে। কন্সটিট্যুসনগী ১দগী ৩৯৫ ফাওবা অমদি সেদ্যুল ১দগী ১২ ফাওবা ঙাক্না চৎপা হায়বসি ঐখোয়গী খূদিংমক্কী ফন্দামেন্টেল দ্যুটিনি হায়বসি খঙফম থোকই।

মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবশিংনা তাইবং শেম্বা মপুগী মিংখৈ পন্দুনা লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসনবু ঙাক্না থবক তৌগনি হায়না ৱাশকখিবশিং অদু ঙাক্না থবক তৌবীয়ু। স্পিকরনসু লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপীয়ু হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

নুমীৎ নীনিগী ওইবা মশরুম কল্টিভেসন ট্রেনিং লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): সুল্টানা লাইভষ্টোক এন্দ মশরুম ফার্মিং কোওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদনা শীল্লগা ঙরাংদগী হৌদুনা নুমীৎ নীনি চুপ্পা চথরকপা সুল্টানা মশরুম কল্টিভেসন ট্রেনিং ঙসি লোইশিনখ্রে।

সিঙ্গা কম্ম্যুনিটি হোল, য়াইরিপোক্তা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সিঙ্গা আইদিএল ক্লবকী প্রসিদেন্ট এম দি হেলিম, ক্লব অসিগী এদভাইজর এম দি ফিরোজ, জেনরেল সেক্রেটরি এম দি জুনুশ অমসুং য়ুথ প্রোগ্রেসিভ ক্লবকী ফাইনান্স সেক্রেটরি এম দি হেসামুদ্দিননা মথংশিংনা প্রসিদেন্ট, চীফ গেষ্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা সুল্টানা লাইভষ্টোক এন্দ মশরুম ফার্মিং কোওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদকী প্রোপ্রাইটর জিদা রহমননা ট্রেনিশিংবু থাগৎপগা লোয়ননা ঙসিদগী ফার্ম অসিগা খুৎশম্ন দুনা মায় পাকপা ফার্মর অমা ওইননবা মরী অদু থল্লসি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরমদুগী শরুক অমা ওইনা নুমীৎ নীনি চুপ্পা চথখিবা মশরুম কল্টিভেসন ট্রেনিং অসিদা শরুক য়াখিবশিংদসু সর্টিফিকেটশিং য়েন্থোকখি।

ফোটো এগজিবিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): কিমাক্সকী মীৎয়েং মখাদা থাঙ-তা দে ওবজার্ভেসন দে কম্মিটিনা চথরক্লিবা থাঙ-তা নুমীৎ থাবুমগী শরুক অমা ওইনা ঙসি কম্বাইন্দ স্কুল ষ্টুদেন্টস ওফ থাঙ-তা অমসুং থাঙলোই ওফ টি টি টি সী এ মোইরাংনা শীন্দুনা ফোটো এগজিবিসন প্রোগ্রাম অমা থোইবী থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএসনগী শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মোইরাং এ সীগী এক্স-এম এল এ, এম পৃথিবীরাজ, থোইবী থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট কে বিধু, কিমাক্সকী প্রসিদেন্ট এন অজিৎকুমার মঙাং, কিমাক্সকী এদভাইজর এল ধমন্দ্রো, থাঙ-তা দে ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী ভাইস চ্যেরমেন চুংখাম রনবির, দিলিজেন্ট পব্লিক স্কুল মোইরাংগী প্রিন্সিপাল ডা. কে বিজয়ারানি অমসুং লিট্রল বার্দ স্কুল মোইরাংগী প্রিন্সিপাল এম দেবেননা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা এক্স-এম এল এ, এম পৃথিবীরাজনা লমদম অসিদা লৈরিবা থাঙ-তাগী ঈচেল অসিদি নোংম-নোংমগী চাউখৎলক্লে। পুন্নমক অসি লমদমসিগী থাঙ-তাশিংগী ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিংনা মরুওইবা থৌদাং কয়া লৌরকপননি হায়খি।

নহাকপম ইন্দ্রজিৎপু মখা তানা শৌগৎনবা লেপ্নখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): মতম শাংনা শোত্থদুনা লাক্লবা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মনুং চন্না লৈবা নহারুপ লৈতান্বীদা অফবা অহোংবা কয়া পুরক্লিবা অমদি মফম অসিগী মীয়াম্না মতম শাংনা টৌটি ঈশিং ফংদনা লাক্পা অদু ফংহনবদা অপেনবা ফোঙদোক্লদুনা নহারুপ লৈতম্বীগী নুপী কয়ামরুমনা এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎপু মখা তানা শৌগৎননবা লেপ্লখ্রে।

নহারুপ লৈতান্বীদা ঙরাং নুমীদাং লৈকায় অদুগী নুপী ওইবী কয়ানা শরুক য়াদুনা মীফম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা মফম অসিগী চাউখৎ থৌরাংগীদমক পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং খঙমিন্নখি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী মশীং য়াম্লবা নুপীশিংনা এম এল এবু শৌগৎনবসু লেপ্পখি।

মীফম অদুদা শরুকয়াখিবী জিবনমালা কৌবী নুপী অমনা ফোঙদোকখিবদা, নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা এম এল এ ওইদ্রিঙৈদা চহী কয়া লৈতম্বী হায়রিবা মফম অসি হীরম কয়াদা শোত্থনা লৈরম্মী। থৌদোক অমা থোকপদা লন্বী কোয়থোক্ল চৎলম্মী। লন্বী অসিদা থোং অহাইবী অমদা য়াম্না ৱানা চৎথোক চৎশিন তৌরম্মী। লোয়ননা টৌটিঈশিংসু ফংদনা লৈরকখি। অদুবু নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা এম এল এ ওইরকপদগী হৌজিক অহোংবা কয়া লাক্লে। লন্বীশিং পাকথোক চাউথোকহল্লে, থোং অহাইবীগী মহুৎ আর সী সী ব্রিজ শাবীরে, টৌটি ঈশিং ফংহনবীরে। মরম অসিনা মখা তানা মীয়ামগী য়াইফননবা থবক হেন্না তৌননবা এম এল এ ইন্দ্রজিৎপু শৌগৎননবা ৱারেপ লৌবনি হায়খি।

তোঙান-তোঙানবা লূপ কয়ানা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): খ্বাইরক্পম নুপী কৈথেল শিনফম অমদি শক্তম কনবা লূপকী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরম্বী ইমা মঙ্গিনা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম)গী হেদ ওফিসতা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা প্রিসাইদ তৌদুনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না য়ু সী এমগী আই পি আর সেক্রেটরি লৈশেম্বা লমাবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মীফম অসিনা ইমা মঙ্গিনা হিংলিঙৈ মতমদা লৈবাক মীয়ামগীদমক মহাক্না কত্থোক্লম্বশিং নৌহৌননা নীংশিংখি। লৈখিদ্রবী ইমা অসিনা মণিপুরগী চাউরবা ইস্যু কয়াদা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরম্মী। মরুওইনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বগী ঈহৌ কয়াদসু মাঙজিল থাবীরমখি। লুচিংবী ইমা অসিনা লৈখিদবা হায়বসি লমদম অসিগী ওইনা মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা অহাংবা অমদি অসুম লৈহৌরগনি। লৈখিদ্রবীগী থৱায়না তাইবং মপুগী নাক্তা ঈংনা চিক্লা লৈহনবীনবগীদমক তাইবং শেম্বা মপুগী মফমদা থৌনিজখি। লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি।

মীতৈইরোল ইয়েক লোয়নশিল্লোল অপূনবা লূপ (মীলাল)গী পব্লিসিটি সেক্রেটরি মাইবম ইন্দ্রজিৎ মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, খ্বাইরক্পম নুপী কৈথেল শিনফম অমদি শক্তম কনবা লূপকী লুচিংবী ওইবীরম্বী ইমা মঙ্গি লৈমনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা মীলাল কংলৈপাক্ল ঙসি মীলালগী ময়াই লোয়শঙদা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মতম খরা তুমীন্না লেপ্তুনা তাইবং মপুদা থৌনিজখি।

ইমানা হিংলিঙৈ মতমদা লমদম অসিগী শোত্থরবা শুফম-নোম্ফম খঙদনা লৈরুরবা ইরৈচা কয়ামরুমগী লমজিং লমতাকপীদুনা শুফম-নোম্ফম পীদুনা মচা-মনাও কয়াগী লম্বী য়াৎলম্বী ইমানি। মীলালগী থৌমীশিংনা ইমাগী থৱায় মীরেলনা তাইবং শেম্বা মপুগী মনাক্তা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবসু থৌনিজখি হায়রি।

ইন্টরনেসনল পিছ এন্দ সোভল এদভান্সমেন্ট (ইপসা)গী আই পি আরগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি থোই ওক্রমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, খ্বাইরক্পম নুপী কৈথেল শিনফম অমসুং শক্তম কনবা লূপকী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বী ইমা মঙ্গিনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা ইপসানা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি। লৈখিদ্রবীগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবগীদমক্তসু ইপসাগী থৌমীশিংনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা থৌনিখিবগা লোয়ননা অৱাবসু ফোঙদোকখ্রে। ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়রি।

ইমা পান্থোইবী সনা কৈথেল লূপকী জেনরেল সেক্রেটরি খোমদ্রাম জয়মতি লৈমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইরমদম অসিগী মরুওইবা ইস্যু কয়াদা অচৌবা থৌদাং য়ারম্বী খ্বাইরক্পম কৈথেল শিনফম অমসুং শক্তম কনবা লূপকী লুচিংবী খ্বাইরাকপম মঙ্গিনা লৈখিদবদা ইমা পান্থোইবী সনা কৈথেল লূপ, মরিশুবা ইমা কৈথেল টেম্পররি মার্কেটনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোক্লি। ইমানা হিংলিঙৈ মতমদা মীয়ামগী অমদি কৈথেল ফম্বী ইমা-ইবেলশিংগীদমক্তা মতিং লৈনা তৌরম্বা থবক কয়াবু নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি। লৈখিদ্রবীগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুবা ওইরসনু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

লৌমীশিংবু শীংনবা লেপত্রি : লৌমী লূপ

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): লৌমী নুংশিবা শাবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৌমীশিংবু শীংনবা লেপত্রি হায়না মণিপুর লৌমী লূপকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর লৌমী লূপকী সেক্রেটরি ঐচ ইবোবীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর থাদা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভা অনীমক্তা দিমোক্রেসিগী চৎন-কাঙলোন ৱাংমদা মশীং য়াম্বগী পৱার শীজিন্নদুনা নম্ফুদা পাস তৌখ্রবা অনৌবা ফার্ম বিল অহুম হন্দোকহন্ননবা লৌমী ওর্গনাইজেসন ৪০০ হেনবগী অপূনবা খুৎপু অমা ওইরিবা সময়ুক্তা কিষান মোর্চানা হনবা লৈতবা ঈহৌ-খোঙজং চঙশিল্লকপদা চাউরাক্লা লৌমী খোঙজংলোয় ৭৫০ হেনবগী পুন্সি মাঙখিবদা ঙসি ফাওবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈখিদ্রবা লৌমীশিংগী মফমদা অৱাবা ফোঙদোকখিদ্রি। কোর্পোরেট মপু খরগী শেন্থোক ৱাংহন্ননবা নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক অসিনা অনৌবা ফার্ম বিল অহুম এক্ট ওইনা চৎনহন্ননবা হোৎনরকপদা লৈবাক্কী খ্বাইদগী ৱাংবা ৱায়েলশঙ অমা ওইরিবা সুপ্রীম কোর্টনা খুৎ থিংজিল্লকখিবা লৈখ্রে। হৌজিকসু লৌমীশিংবু নমহৎনবা হোৎনরি।

লৌমী নুংশিবা শাবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্না নক্ক বা কোর্পোরেট মপু খরদা অহেনবা খুদোংচাবা ফংহন্ননবা মমাঙ চহীদা পাস তৌখ্রবা অনৌবা বিল অহুম অসি হন্দোক্ত্রিবমখৈ সময়ুক্তা কিষান মোর্চানা চঙশিল্লকপা ঈহৌ-খোঙজংশিংদা মণিপুর লৌমী লূপনা মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ৱাশক লৌবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): হৌখিবা ওক্টোবর ২৭তা নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এন কায়িসিনা থোকপা এপোইন্টমেন্ট ওর্দর অমগী মতুংইন্না নেসনল পিপলস পার্টি, মোইরাং ব্লোক কম্মিটি অমদি মোইরাং য়ুথ ব্লোক লেভেল কম্মিটিগী খনখ্রবা থৌ পুবশিংবু ৱাশক লৌবগা লোয়ননা শক্তাকপগী থৌরম অমা এন পি পি মোইরাং ব্লোকনা শীন্দুনা মোইরাং ফিলেম লৈকায়দা লৈবা পার্টিগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা নেসনল পিপলস পার্টি, মোইরাং ব্লোক কম্মিটিগী নৌনা খল্লবা প্রসিদেন্ট ফিলেম মেঘ, কম্মিটি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এম উত্তমকুমার, মোইরাং য়ুথ ব্লোক লেভেল কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট চবুংবম রোবিন, ৱার্কিং প্রসিদেন্ট এম দি অয়ুব অমদি মোইরাং অমসুং ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল অনীদা লাক্কদৌরিবা ম্যুনিসিপালিটি ইলেক্সনদা এন পি পিগী মীরেপ ওইনবা শেম-শারিবা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটশিংনা থৌরম মপুশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি ৱাশক লৌবা অদুদা নেসনল পিপলস পার্টি, মোইরাং ব্লোক কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট পি ঐচ মেঘ, ৱার্কিং প্রসিদেন্ট এম দি উমদ আলি, জেনরেল সেক্রেটরি এম উত্তমকুমার, জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) হাজি অহমদ খান, জেনরেল সেক্রেটরি (পোলিটিকেল এফের্স) এম শ্যামচোরোন লোয়ননা তোঙান তোঙানবা থৌ পুবশিং অমদি এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিং য়াওনা মীওই পুন্না ৬২ অমদি মোইরাং য়ুথ ব্লোক লেভেল কম্মিটিগীনা কম্মিটি অসিগী প্রসিদেন্ট চবুংবম রোবিন অমদি কম্মিটি অসিদা তোঙান তোঙানবা থৌ পুবশিং, এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিং য়াওনা পুন্না মীওই ৭০না শরুক য়াখি।

ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ওফিস বিয়াররশিংনা এন পি পিগী কাঙলোন ঙাক্না মশা মশাদা শীন্নরিবা পার্টিগী থৌদাংশিং থম্মোয় শেংনা পুবা অমদি মোইরাং এ সী অসিগী মনুংদা লৈরিবা মীয়াম্বু নুংঙাই য়াইফনবা, নুংশি-চান্নবা হিংমিন্ননবা পূক্নিং অনী লোংদনা হোৎনগনি হায়বগা লোয়ননা শীন্নরিবা থৌদাং অসি ইশানা য়ানা এক্সেপ্ট তৌজরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মীফম পাঙথোক্তুনা খন্ন-নৈনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লী ইলেক্সনদা ৩৭-ককচিং এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিদা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস (আই এন সী)গী মীরেপ ওইনবা থৌরাংলিবা য়েংখোম নিলাচন্দ্রবু মায় পাকহন্নবগীদমক বুথ বুথশিংগী মীহুৎশিং য়াওবা মীফম পাঙথোক্তুনা খন্ন-নৈনবগা লোয়ননা ষ্টিয়ারিং কম্মিটি শেমখ্রে।

ককচিং মখা লৈকায়দা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ককচিং এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংদা লৈরিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদগী মীহুৎশিং শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মীফম অদুনা ককচিং এ সীদা ওইরক্লিবা পোলিটিকেলগী ফীভম অমসুং করম্বা মীওইদা আই এন সীগী টিকেট পীরগা মায় পাকহনগদগে হায়বগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ৱাখল্লোনশিং ফোঙদোক্লখি।

ঙসিগী মীফম অদুদা এম ভি অব্দুল হালিম, পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৩৭/৩৪গী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ ইবোহল, প্রসিদেন্ট বি সী সী ককচিং অমসুং য়েংখোম বিহারী, সোসল ৱার্করনা থৌরম মপুশিং ওইনা শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা আই এন সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট য়েংখোম নিলাচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসিগী মফম অসিদা সোরা, ইরেংবন্দ, পল্লেল, বিজয়পুরদগী ইচিল-ইনাওশিং লাকপীদুনা ককচিংগী ইচিল-ইনাওশিংগা অসুম্না মীটিং অমা ফম্বীদুনা ভোট কাদবা য়াদে হায়দুনা কম্মিটি শেম্লিবা অমদি মীফম পাঙথোক্লিবা অসিগীদমক্তা মীয়াম্বু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি। টিকেটকী ৱাফমসু অথুবা মতমদা লাউথোকপা য়ানা লৈরি। অতৈ কেন্দিদেটশিংনা ভোট মমাঙদা অদু তৌগনি অদা তৌগনি হায়রগা তৌদনা তোকখিবা অদুগুম্না তৌজরোই। মতম মতমদুগী মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বা য়েংলগা থবক তৌজগনি। ককচিং ম্যুনিসিপালগী এরিয়া শেমগৎলগা, সোরা, ইরেংবন্দ, পল্লেল, বিজয়পুরনা শোত্থদুনা থল্লগা ককচিং এ সী অসি চাউখৎলে হায়বা য়ারোই। চপ মান্নবা চাউখৎমিন্নবা পীদুনা ককচিং এ সী অসিবু চাউখৎহনবা হায়বসিনা ঐগী পান্দমনি। লমদম অসিগী চাউখৎ থৌরাংদা ঐবু শরুক য়াহনবীয়ু। মীয়াম্না নুংশিবীয়ু অদুগা ঐখোয় পুন্না এ সী অসিবু চাউখৎমিন্ননবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।